# য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা থোকহনবনি: য়ুএস পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট




ৱাশিংতন, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং মরু ওইনা অমেরিকানা থোকহনবনি হায়না য়ুএসকী পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট জোন জে মেরসিমরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি হন্দক্তা মহাক্না ইকনোমিষ্ট হায়বা জর্নেলদা ইখিবা ওপিনিয়ন পিছ অমদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ চিকাগোদা পোলিটিকেল সাইন্স প্রোফেসার অমা ওইনা লৈরিবা মেরসিমরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, অমেরিকান অমসুং য়ুরোপিয়ন পোলিসি মেক্করশিংনা য়ুক্রেনবু নোংচুপলোমগা চৎমিন্ননবা নত্ত্রগা পুনশিন্ননবা হোৎনরকপগা লোয়ননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনবু মখোয়গী থৌরাংশিং অদুগা মরী লৈননা মরাল শীজিনবদগী হৌজিক্কী য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসি হৌরকপনি।

তৌইগুম্বসুং য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী পোলিসি মেক্করশিংগী ৱাখল্লোন অসি লাল্লি হায়না মরসিমরনা ওপিনিয়ন পিছ অদুদা ইখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মহাক্কী মীৎয়েংদা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসি কুমজা ১৯৬২ গী ক্যুবান মিসাইল ক্রাইসিস মতুংদা মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কনফ্লিক্টনি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক য়ুক্রেনদা মতেং পীবা হেনগৎলক্লি। অমরোমদা, মখোয়না রসিয়াদা শেল থুমগী অথিংবশিং থল্লি। পুটিনগী মীৎয়েংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী খোঙথাং অসি মহাক্কী লৈবাক্কী মায়োক্তা লান লাউথোকপগা মান্নে হায়না লৌই।

আর্টিকল অদুনা মখা তানা হায়, য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসি লোইশিন্ননবগী লম্বী পুথোকপদা ঙসিগী হৌরকফম মুন্না খঙবা য়াম্না মথৌ তাই।

য়ুক্রেনগী ৱাথোক অসি কুমজা ২০০৮ তা বুচারেষ্টতা পাঙথোকখিবা নাটোগী সম্মিটতা মতমদুগী য়ুএস প্রসিদেন্ট জোর্জ দব্লিয়ু বুশকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না এল্লাইয়েন্স অসিদা য়ুক্রেন অমসুং জোর্জিয়াবু মেম্বরশিং ওইরগনি হায়না নমদুনা লাউথোকহনবদগী থোক্লকখিবনি।

কুমজা ২০২১ গী অথেংবা শরুক্তা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়াগী সেক্যুরিটিগী ৱাফমশিংদা থৌশাদবগী ইঙ্গিৎ পীখি। য়ুক্রেনবু নাটোদা য়াওহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা অসিনা হৌজিক্কী লান অসি হকথেংননা থোকহনখিবনি হায়না মরসিমরনা ইখি।

পোলিটিকেল এক্সপার্ট অসিনা হায়, রসিয়াগী পোলিসি মেক্করশিংনা য়ুক্রেনবু অমুক হন্না লৌশিন্দুনা মমাঙদা লৈরম্বা সোভিয়েট য়ুনিয়ন নৌনা শেমগৎপা নত্ত্রগা গ্রেটর রসিয়া শেমগৎপগী পান্দম রসিয়ানশিংদা লৈতে। য়ুক্রেননা নাটোদা য়াওশিনবা হায়বসি রসিয়ানা লৈবাক অমা ওইনা লৈবদা অকিবা চাওনা পোকহল্লি হায়না রসিয়ন লিদরশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি।

হৌজিক্কী য়ুক্রেন ক্রাইসিস অসিগী লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পান্থেদি নাটোনা নোংপোকলোমদা মখা তানা এক্সপান্সন তৌরক্লোই হায়বগী গরেন্টি পীবা অসিনি হায়না হৌখিবা জনুৱারীদা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভোরোবনা ফোঙদোকখিবনি হায়না মরসিমরনা মখা তানা ইখি।

# য়ুক্রেনগী লান লোইশিনবা য়ানবা টর্কিনা লৌরিবা থৌদাং নেদরলেন্দসনা শৌগৎখ্রে



অঙ্কারা, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী লান লোইশিনবা য়ানবা টর্কিনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱাতেম্নবা হোৎনরিবশিং নেদরলেন্দসনা শৌগৎলি হায়না দটচ প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক রুটেনা ফোঙদোকখ্রে।

অঙ্কারাদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর রুটেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা কিভ অমসুং মোস্কোগী মরক্তা অঙ্কারানা লৌরিবা ৱাতেম্বগী থৌদাং অসি মহাক্কী লৈবাক্না শৌগৎলি। য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস খন্ননবা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা নাটোগী লুচিংবশিংগী অখন্নবা সম্মিট অমগী মাঙওইননা রুটেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টর্কিদা লাকখিবনি।

টর্কিগী কেপিটেল অঙ্কারাদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টয়িব এর্দোগানগা উন্নরবা মতুংদা পাঙথোকপা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা রুটেনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীমক্না অফবা মরী লৈনবা লৈবাক খরখক্কী মনুংদা অমা ওইরিবা টর্কিনা ক্রাইসিস অসিগী সোলুসন পুরক্নবা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌই অমসুং ৱাতেম্বগী থবক অসিদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরি।

টর্কিনা রসিয়াগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থম্বগী মতাংদা পল্লদুনা রুটেনা হায়, টর্কিনা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া লাউথোক্লিবসি য়ুএনগী ৱারেপ মতুং ইন্ননি। য়ুএননা লাউথোকখিবা অথিংবা পুম্নমক ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হায়বসি টর্কিগী তৌফম থোকপা থবক্লি। তৌইগুম্বসুং টর্কিনা হৌজিক উংখৎনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক থৌদাং অমা লৌরক্লিবসি ঐখোয়না থাগৎলি।

দটচ প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, অঙ্কারা অসি নাটোগী ওইনা পোলিটিকেল অমসুং মিলিটরি ইম্পোর্টেন্স লৈ। লোয়ননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী য়াম্না মরু ওইবা পার্টনর অমসু ওইরি।

জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা টর্কিস প্রসিদেন্ট ইর্দোগানননা হায়, টর্কিনা নাটোদা য়াওবা মীচং লৈবাক অমা ওইরিবা নেদরলেন্দসকা মরী হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়ননা রিজনেল ইস্যুশিংগী মতাংদা পার্টনরশিং ওইনা মখা তানা ৱারী শান্নদুনা পোলিসি প্রোগ্রামশিং য়াৎমিন্নখিগনি।

# য়ুক্রেনগী মতাংদা অথিংবা কয়া থম্বগা মরী লৈননা রসিয়ানা জপানগা পিছ টৌল্ক মখা চথদনবা লেপখ্রে



রসিয়ানা ক্রাইসিস অসি মায়োক্লবদা ৱারকপদগী জপান-রসিয়াগী মরীদা ওইনা পুশিল্লকপা হায়বসি মরম চাদে।



রসিয়ানা জপানগী অৱাং থংবা টেরিটরি খরগী মীয়ামগা ভিজা-ফ্রি একচেঞ্জশিং চথবা য়াহন্নবা লাংলম্বা প্রোগ্রামসু লেপ্পগনি।

মোস্কো, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনদা লান্দাবগী মতাংদা টোকিওনা মোস্কোগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবা কয়া থল্লকখিবগী পাউখুম ওইনা রসিয়ানা জপানগা মখা তানা পিছ টৌল্ক চথবা পামদে হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ফুম্মীও কিসিদানা মোস্কোগী এক্সন অসি য়াফম থোক্তে হায়খ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা জপানগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি হিরোকাজো মাসুনোনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ফিরেপ অসিগী মতাংদা সেনিয়ার দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর সিগো য়ামাদানা রসিয়ান এম্বেসেদর মিখাইল গালুজিনগী মথক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা হাউস ওফ কাউন্সিল্লরগী বজেট কম্মিটি মীটিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কিসিদানা হায়খি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবদগী থোরকখিবনি।

রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রিবদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়গী লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা শোকহন্নবা হোৎনরিবা মরুপ মপাং ওইবগী মতৌ চেন্দবা লৈবাক অমগা বাইলেটরেল মরী ফগৎনবা মরু ওইবা ট্রিটি অমা সাইন তৌনবা খন্নবা হায়বসি ওইথোক্তে।

লোয়ননা লমদম অসিগী ইথৎ মরিদা লৈবা মোঙফমশিংদা চৎনবগী অয়াবা লৌবগী প্রোসিজরশিং লাইথোকহন্নবগী থৌরাংসু লেপ্পগনি হায়নসু রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

কুমজা ২০১৬ দা মতমদুগী জপানগী পিএম সিঞ্জো অবে অমসুং রসিয়ান প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা য়ানখিবা মতুং ইন্না অৱাং থংবা টেরিটরিশিংদা জোইন্ট ইকনোমিক এক্তিভিটিশিং চথবা হৌনবগী নিগোসিএসনদগীসু মোস্কোনা ৱিদ্রো তৌনবা থৌরাং তৌরি।

বাইলেটরেল মরীদা অকায়বা পীনবগী থৌদাং পুম্বা জপানগীনি। টোকিওনা হন্দক্তা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং জপানগী ইন্টরেষ্টতসু শোক্লিংঙাই ওই। টোকিওনা এন্টি-রসিয়ন পোলিসিদা ওইনা লেপ্তুনা ৱারেপ লৌখিবসি লাইবক থীবনি।

জপান অমসুং রসিয়াগী মরক্তা লোইশিন্দনা লৈরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইস্যুনি হায়নরিবা পিছ ট্রিটিগী ৱারী শান্নবা লেপ্পগনি হায়না লাউথোক্লিবা অসিদা মোস্কোনা থাজ রিবদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমসুং জপানগী মরক্তা য়ুনিটি শাগৎনবা হোৎনরকপদা শোয়দনা শিংচেপ য়ৈবা ঙল্লগনি হায়বসিনি।

কুমজা ২০১৮ দা অবে অমসুং পুটিনগী মরক্তা পাঙথোকখিবা সম্মিটতা লুচিংবা অনীনা কুমজা ১৯৫৬ কী জপান-সোভিয়েট জোইন্ট দিক্লারেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা পিছ ট্রিটিগী ৱারী শান্নবগী ৱাফম য়ান্নখিবনি।

# নাইজেরিয়াদা গনমেনশিংনা চথখিবা এটেক্তা মীওই ৩৪ শিখ্রে, য়ুম কয়া মৈ থাখ্রে



অবুজা, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা ষ্টেট কাদুনাগী ভিলেজ মরিদা গনমেনশিংনা চথখিবা কোওর্দিনেটেদ এটেক্তশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ শিখ্রে হায়না গভর্নমেন্টগী পাউদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট কেপিটেল কাদুনা সিটিদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ষ্টেট অসিগী ইন্টর্নেল সেক্যুরিটি এন্দ হোম এফিয়ার্সকী কম্মিস্নার সামুএল অরুৱাননা হায়খি, মদুদি নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা কাদুনাগী গৌরা লোকেল গভর্নমেন্টগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না কোনবা সোঞ্জে, অগবান, কতঙ্গা অমসুং কাদারকো ভিলেজশিংদা চথখিবা এটেক্তশিংদা মীওই তরেৎসু অশোক অপন নঙখি। য়ুম ২০০ অমসুং দুকান ৩০ হেন্না মৈ থাখি।

অরুৱান্না মখা তানা হায়খিবদা গনমেনশিং অদুনা ভিলেজশিং অসিদা গাড়ী অহুম অমসুং মোটোর সাইকল ১৭ সু অমাঙ অতা থোকহনখি। এটেক্ত অদু করিগীদমক্তা চথরকখিবনো হায়বগী মরম খঙবা ঙমদ্রি।

এটেক্ত অদুগী মতুং তারকপদা লোকেল গভর্নমেন্টনা মফম অদুগী অকোয়বদা পুং ২৪ গী কার্ফিয়ু থমখ্রে। ইরাংগী মতুং ইন্না কার্ফিয়ু মখা শাংথবা য়াই অমসুং খোঙথাং অসি ভিলেজশিং অদুদা লো এন্দ ওর্দর কায়হন্দনা থম্নবগীদমক য়াম্না মরু ওই হায়না লোকেল ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

নাইজেরিয়াগী অৱাং অমসুং ময়াই থংবা লমদমশিংদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক্ত তৌবা অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা সেক্যুরিটি থ্রেট অমা ওইদুনা লাক্লি। হৌখিবা থা খরা অসিদা অসিগুম্বা এটেক্তশিংদা মীওই কয়া শিখি অমসুং মীওই কয়া অমনা কিদনেপ তৌখি।

অফ্রিকাগী অতোপ্পা পাউ অমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ঘনাগী খা থংবা লমদমগী কেপ কোষ্ট-তাকোরেদি হোষ্টেল হায়ৱেদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে হায়না ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঘনা নেসনেল ফায়র সার্ভিসকী ৱেষ্টর্ন রিজনেল কম্মান্দগী স্পোক্সমেন ইমানুএল বোনিনা ফোঙদোরকখিবদা এক্সিদেন্ট মফম অদুদগী মৈনা কানা চাক্লবা হকচাং ১৪ লৌখৎখি। হায়ৱে অদুগী অসেম্পাসা কৌবা মফম অমদা ভেন অমগা ট্রক অমগা থেঙ্গাইনখিবনি। গাড়ী অনী অদু মকোক মকোক শাফু কন্না থেঙ্গাইনবদগী মৈ হৌরকখিবনি।

# জপানগী প্রিফেকচর ১৮ দা থল্লিবা কোভিদকা মরী লৈনবা ইম্মর্জেনসি লৌথোকখ্রে



টোকিও, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
জপানগী প্রিফেকচর ৪৭ কী মনুংদা ১৮ দা থল্লিবা কোভিদ ১৯গা মরী লৈনবা ক্বাসি ষ্টেট ওফ ইম্মর্জেন্সি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৌথোকখ্রে।

নোংমদা থেংনবা অনৌবা কোভিদ ইনফেক্সন মশিং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপদগী টোকিও অমসুং ওসাকা য়াওনা জপানগী প্রিফেকচর ১৮ দগী ইম্মর্জেন্সি অসি লৌথোকখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এসিয়াগী লৈবাক অসিদা কোভিদ ১৯ গা মরী লৈনবা ইম্মর্জেন্সিগী থৌরাংশিং জনুৱারী ৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৌথোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং জপাননা বোর্দরদা থল্লম্বা অথিংবশিং কোমথোকখিবগা লোয়ননা বিজিনেস অমদি একাদেমিক চহীসু লোইশিল্লকপগা লোয়ননা য়াম্না লৌনগদবা ভাইরস অসিগী ওমিক্রোন সব ভেরিয়েন্ট বিএ.২না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা কোভিদ লাইচৎ অমুক হন্না কনখৎলকপা য়াই হায়বগী নুংনাংনবসু লৈরি। মার্চ ১৭ তা গভর্নমেন্টনা ইম্মর্জেন্সিগী চেকশিন থৌরাংশিং ওফিসিএল ওইনা লৌথোক্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

হেল্থ ক্যের সিষ্টেমদা লৈরিবা প্রোব্লেম কয়া থেংনবা ঙম্নবগীদমক লৈবাক অসিনা ইম্মর্জেন্সিগী থৌরাংশিং চৎনহনখিবনি। লৈবাক অসিগী ইম্মর্জেন্সি থল্লিবা মফম খরদা লৈরিবা কোভিদ ১৯ পেসেন্টশিংগী ওইবা দেজিগনেটেদ হোস্পিটালশিংগী বেদতা মী লৈবগী চাং মার্চ ১৮ ফাওবদা চাদ ৫০ হন্থরকখি।

চৈরকসিদা জপানগী লমদম খরদা অনৌবা ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী চাং মখা তানা ৱাংনা লৈ হায়রি।

কোভিদ ১৯ গা মরী লৈনবা ক্বাসি ষ্টেট ওফ ইম্মর্জেন্সিগী থৌরাংশিং চৎনহনবা লৈনা লৈনা মফমশিং অদুদা অনৌবা ইনফেক্সন হেনগৎলক্লিবনি হায়রি।

বাইরোলোজিষ্ট খরনা গভর্নমেন্টদা এন্টি ভাইরেল থৌরাংশিংনা কোরোনা ভাইরস লাকশিনবদা ৱানা থোক্কনি হায়না খঙহনবা লৈরবসু চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী লৈবাক অসিগী প্রিফেকচর ৪৭ কী মনুংদা ৩৬ তা কোভিদ ১৯ গা মরী লৈনবা ইম্মর্জেন্সিগী থৌরাংশিং চৎনহল্লকখি।

গভর্নমেন্ট অমসুং লোকেল গভর্নরশিংনা মীয়াম্বু মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মহিংদা হঞ্জিলহনবা পাল্লকপগা লোয়ননা কোভিদকা মরী লৈনবা ইম্মর্জেন্সি থৌরাংশিং লৌথোকপগী খোঙথাং অসি লাকপনি। জপানগী পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এনঐচকেগী মতুং ইন্না ওফিসিএলশিংনা ইটরিশিং অমসুং ইভেন্ট মফমশিংদা ট্রাবেল্লরশিংগী ওইনা ভেক্সিনেসন পাসপোর্টশিং শীজিন্নবা অসি পুক্লিং থৌগৎনবা থৌরাং তৌরি।

# চাইনাগী কায়খিবা প্লেনগী ব্লেক বোক্স ফঙখ্রে



বৈজিং, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
সাউথ চাইনাগী গ্বাংসি জুৱাং ওটোনোমস রিজনদা কায়খিবা চাইনা ইষ্টর্ন এয়রলাইন্সকী পেসেঞ্জর প্লেনগী ব্লেক বোক্স ফংলে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ক্রাস মফমদা থি হুম্বা চথরিবা রেস্ক্যুৱরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, প্লেন অদু কায়খিবা মতমদা নোং চিংগী ফিভম নোর্মেল ওইখি অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইবা নোং চিংগী ফিভম অমত্তা লৈখিদে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্লেন কায়খিবা মফম অদুদা সিভিল এভিএসনগী টেক্নিকেল এক্সপার্ট ২০ লোম থুংদুনা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রে। এক্সপার্টশিংদুগী মনুংদা অমনা ফোঙদোরকখিবদা প্লেনগী অতেক অকায়শিং কয়াম্না লাপ্পা চাইথোক্লিবগে হায়বদু হোৎতোক্নবা ঐখোয়না ওন-সাইট ইনভেষ্টিগেসন অমা চথরগনি। নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা ক্রাস সাইট অদু লৈখোম থোকই অমসুং ইনান নাল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ভিক্তিমশিং থিবা অমদি রেস্ক্যুগী থবক্তা অপনবা ওইখি।

এক্সিদেন্ট মফমদা য়ৌবা লম্বী অমসু ইনৌ নৌনা শেমগৎপা হৌরে হায়না এক্সপার্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মীওই লিশিং অনী হেন্না হৌজিক ক্রাস মফম অদুদা চথরিবা ওপরেসনদা শরুক য়ারি।

থৌদোক থোকফম অদু চীংগী উমংগী শরুক্কী মনুং চনবনা ব্লেক বোক্স থিবগী থবক অদুদা রেস্ক্যু ষ্টাফকা লোয়ননা দ্রোনশিংসু শীজিন্নখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা কুনমিংদগী গ্বাংজৌ তম্না পায়রকখিবা চাইনা ইষ্টর্ন এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৩৭ এয়রক্রাফট অদু টেংসিয়ান কাউন্টিগী মনুং চনবা মোলাং ভিলেজকা নক্নুনা লৈবা চীংগী এরিয়া অমদা কায়খিবনি।

প্লেন অদুদা পেসেঞ্জর ১২৩ অমসুং ক্রু মেম্বর ৯ য়াওনা পুন্না মেম্বর ১৩২ তোংখিবনি হায়রি।


**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR - IMPHAL**

**/ CORRIGENDUM**

For. MU/14-452/DR/PO/PROCEEDINGS/2019/949 Dated, 22nd March, 2022

The following corrigendum is being made for the extension of deadline up to 25th March, 2022 for the submission of tender documents of the below Tenders:

1. Anthropology Department - Supply of Lab. Equipment, Ref.No. MU/Anthro/VA/Pro/2021.
2. Sports Department - Supply of GYM Equipment, Ref.No.MU/6/42/Purchase of GYM Equipment/2021-22/SPR.
3. Fine Arts Department - High Power furnance, Ref.No.MU/D.H/P.C-II/2022.

The other details remain unchanged as available in the website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/- David K. Zote**
**Purchase Officer**

HL-B/7551/24,25

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

/ Advertisement
Dated, the 23rd March, 2022

**No.MU/6-7/2021/FCY)/959:** It is hereby notified that 2(two) Guest Faculties on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Commerce through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:** M.Com with Ph.D./JRF/NET/SLET
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only
per month.

**Date of Interview:** - 01.04.2022 at 11:00 A.M.

**Place of Interview:** - Vice-Chancellor's Committee Room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Commerce, Manipur University, Canchipur- 795003 between 9 a.m. and 10 a.m. on the same day.

Sd/- Hoineilam Kipgen
Assistant Registrar (Sr. Scale)

HL-B/7560/24